HUEIYEN LANPAO

# ‘ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী এথলেট মরি টেষ্ট তৌবদা মেলদোনিয়ম শীজিন্নরম্বগী খুদম চাংদম ফংলে’



মোস্কো, মার্চ ২২ :
অন্টি-দোপিং ওথোরিটিনা জানুৱারি ১ দগী অথিংবা থমখ্রবা মেলদোনিয়ম হায়রিবা দ্রগ অসি রসিয়াগী ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী এথলেট মরি টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্লে হায়না রসিয়াগী এথলেটিক্সকী চীফনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা মরিরক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রসিয়াগী স্বিম্মর য়ুরিয়া য়েফিমোবাদা দোপিং তৌই হায়বগী চিংনদুনা কম্পিটিশন্দা য়াওদনবগীদমক অথিংবা থল্লিবা অদুবু শিংনগনি হায়না স্বিম্মর অসিনা ঙরাং মফম অসিদা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ঐ কেসকী হিয়ারিংগীদমক শেম শারি। ঐনা এন্টি দোপিং রুলশিং ভাইওলেট তৌদে হায়বদু শুংশোই শোইদনা প্রমানগা লোয়নননা তাক্কনি হায়না য়েফিমোবানা হায়খিবা ৱাফম্মু জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা কোট তৌদুনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরনেসনেল স্বিম্মিং ফেদরেশন্না স্বিম্মর অসিনা এন্টি দোপিং রুলস থুগাইদুনা মেলদোনিয়ম দ্রগ শীজিন্নরম্বগীদমক পোজিটিব ওইখ্রবা মতুংদা মতম খরগী ওইনা অথিংবা থমখিবনি। মহাক্কী অথিংবা অদু ওল রুসিয়া স্বিম্মিং ফেদরেশন্না কনফার্ম তৌখ্রবনি।

মিলদ্রোনেট হায়রগসু খঙনবা মেলদোনিয়ম অসিনা হার্টকী মখল মখাগী অনা লায়েংদা শীজিন্নবা দ্রগনি। মসি ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না চৎলিবা চহী অসিগী জানুৱারি ১ দগী অথিংবা থমখি।

য়েফিমোবানা হায়খি, জানুৱারি ১ দগী অথিংবা থমখ্রবা দ্রগশিংগী মনুংদা মেলদোনিয়ম অসি য়াওই হায়বা ঐঙোন্দা খঙহল্লকপা তৌখিদে হায়বা ৱাফম থমখি।

চৈরক অসিদা ইন্টরফেক্স ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরকপা মতুং ইন্না ওইরক্লিবা থৌওং অসিনা লৈবাক অসিবু মালেমগী কম্পিটিশনশিংদা শরুক য়াবদা অথিংবা থল্লিবা অসি কোমথোকহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরিবা অসিবু অরেন্বা তাহনখ্রে। চৎলিবা চহী অসিগী জানুৱারি ১ দগী ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না মেলদোনিয়মবু অথিংবা থমখিবা অদুদগী হৌজিক ফাওবদা টেনিস প্লেয়র মারিয়া শারাপোভা, স্পিদ স্কেটিং মশান্নদা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল্লিষ্ট সেমিওন ইলিষ্ট্রাটোভ অমদি রগবি সভেনগী প্লেয়র য়াওনা রসিয়াগী অপূনবা এথলেট ১৪ না মেলদোনিয়ম শীজিন্নরম্বগী পোজিটিভ ওইখি।

স্পোর্টসকা মরী লৈনবা ওফিসল কয়ানা রসিয়াগী অতোপ্পা প্লেয়রশিং মেলদোনিয়ম শীজিন্নরম্বগী ওইথোকপা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রবসু লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিটালি মুটকোনদিনা রসিয়াগী এথলেটশিং মেলদোনিয়মগা মরী লৈনদে হায়না মমাঙ চয়োলদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অদুমকপু মশাগী চহী ২৬ শুরবী স্প্রিন্টর অমদি কুমজা ২০১৩ গী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী শিলভর মেদল লৌখিবী নাদেঝদা কোটয়ারোভানা মেলদোনিয়ম পোজিটিভ ওইরম্বদগী রসিয়াবু চহী অসিগী রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াহন্দনবগী ওইথোকপা লৈরিবা অসিদা অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহনখ্রে।

নাবেঝদা কোটয়ারোভানা হায়খি, মহাক্কী টেষ্ট তৌবদা ফংলিবা মেলদোনিয়মগী চাং অসি শুপ্পগী নানোগ্রাম ২৫ খক ওইবদা নত্তনা মহাক্কা পোৎলম অসি অথিংবা থমদ্রিঙৈ মমাঙদা শীজিন্নখিদ্রে। মহাক মরাল লৈতে অমদি রসিয়াগী এথলেটশিংবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা নমদুনা মরাল লৈবা হায়বদু ওইহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

ওলেম্পিক পাঙথোক্কদবা চহী অসিদা অসিগুম্বা মরাল কয়া শীজিন্দুনা রসিয়ন এথলেটশিংবু রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াহন্দনবা হোৎনরিবা অসিগীদমক ঈকাইবা পোকই হায়না নাদেঝদা কোটয়ারোভানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, রসিয়াগী এথলেটশিংনা মখোয়গী মপাঙ্গল মথৌনা হেঙ্গৎহন্নবগীদমক মেলদোনিয়ম দ্রগ শীজিন্নে হায়বা মরালদা মমাঙ চহীদগী হৌনা রসিয়াগী এথলেটশিংবু মালেমগী কম্পিটিশনশিংদা শরুক য়াহন্দনা লাকখিবনি। করিগুম্বা অথিংবা থল্লিবা অসি লৌথোক্রবদি লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা রসিয়াগী এথলেট অমত্তা শরুক য়াবা ফংলদবা য়ানা লৈরিবনি।

অমরোমদা রসিয়াগী য়ুলিয়া ইফিমোভাবু ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না অথিংবা থমখ্রবা দ্রগ মেলদোনিয়ম পোজিটিভ ওইবদগী স্বিমিং মশান্নদগী মপুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থল্লবা য়ারি হায়রি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবী অমদি স্বিমিংগী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্তা মরিরক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী য়ুলিয়া ইফিমোভানা কুমজা ২০১১ দগী হৌনা য়ু এসতা লৈরকখে। মহাকপু টেষ্ট তৌবদা মেলদোনিয়ম শীজিন্নবগী পোজিটিভ ওইরমখিবনি। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সকী মিটর ২০০ গী ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবী য়ুলিয়ানা হান্নসু দ্রগ টেষ্টতা ফেল ওইখিবনা হন্দক্তি মশান্না অসিদা মপুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থল্লবা য়ারি হায়রি।

কুমজা ২০১৪ গী মে থাদা য়ুলিয়াবু এনাবোলিক ষ্টেরোইদ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ইন্টরনেসনেল স্বিমিং ফেদরেশন (এফ আই এন এ) না থা ১৬ অথিংবা থমখিবনি। মেলদোনিয়মবু ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) গী লিষ্টতা চহী অসিগী জানুৱারি ১ দগী য়াওখিবদগী রসিয়াগী য়াম্লবা এথলেটশিং অথিংবা থমদুনা লাক্লিবনি।

# সাহিদ অফ্রিদিবু ৱর্ল্ড টি-২০ গী মতুংদা কেপ্টেন ফমদগী লৌথোক্লগনি : পি সি বি চীফ



করাচি, মার্চ ২২ :
পাকিস্থানগী ওল-রাউন্দর সাহিদ অফ্রিদিবু হৌজিক ইন্দিয়াদা চথরিবা ৱর্ল্ড টি ২০ অসিগী মতুংদা পাকিস্থানগী টি ২০ গী কেপ্টেন ওইরিবা অসিদগী শিন্দাক্লগনি হায়না পাকিস্থান ক্রিকেট বোর্ড (পি সি বি) গী চেয়রমেন শাহয়ার্র খাননা নিংথৌকাবা নুমীৎতা লাউথোকখ্রে।

পি সি বিগী চেয়রমেন শাহয়ার্র খাননা ঙরাং কোলকটাদগী হল্লকখ্রবা মতুং লাহোরদা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি বোর্ড অমদি অফ্রিদি অনীগী মরক্তা অন্দরষ্টেনিদং অমা লৈনবদগী ৱর্ল্ড কপকী মতুংদা মহাক্লা পোথারগনি হায়খি।

লৈনরিবা অন্দরষ্টেন্দিং অদুগী মখাদা মহাক্লা ৱর্ল্ড কপ ফাওবা কেপ্টেন ওইগনি অমদি ইভেন্ট অসি লোইরবা মতুংদা মহাক্লা রিটয়ার্দ তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি। করিগুম্বা মহাক্লা মহাক্কী ৱাখল অদু হোংলবা অমদি মখা তানা চথবা পান্নবদি মহাকপু প্লেয়র ওইনা নৎত্রগা প্লেয়র নত্তবীদা খল্লকপ্রা হায়বদু ঐখোয়না য়েংসি। মমাঙ চহীদা অফ্রিদিবু নেসনেলগী টি ২০ স্কাদকী কেপ্টেন ওইনা হাপখিবদা বোর্দকী মায়কৈদগী অশোয়বা অমত্তা লৈখিদে হায়বসি তশেং তশেংলি।

অফ্রিদি অসি পাকিস্থানদদি আইকোনিক ফিগরনি অমদি মহাক্লা ঐখোয়গীদমক হৌখিবা মতমদা মায় পাক্লবা মেচশিং খুদোল তমলমখি। মহাকপু খনখিবা অসি অচুম্বা ৱাখল পরিংদনি। টিম অমগী মেচ মায়থিবদা টিমদুবু লুচিংলিবা মীওই অদুদা পেন্দবা ফোঙদোকপা অমদি হুনদুনা ঙাওবা হায়বসি মহৌশাগী লৈরক্লবা চৎনবীনি। মসিমক অফ্রিদিদা হৌজিক থেংনরি। অসিগুম্বা পুংফম অসিদা মহাক্লা মীওই পুম্নমক্তগী মতেং লৌবা মথৌ তাই হায়না খাননা হায়খি।

পি সি বিগী চীফনা ৱর্ল্ড ইভেন্ট অসি লোইরবা মতুংদা কোচ শিন্দোক্কনি হায়বগী কনফার্ম তৌখি।

ঐখোয়না মসিগীদমক কুপ্পা য়েংলি। ৱাকর (য়ৌনিস) গী কন্ট্রেক্ট মতম অসি জুন ফাওবনি। ঐনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাশিম অক্রম অমদি সেনিয়র প্লেয়র খরগা খন্নরে অমদি টিমগীদমক অফবা ফল পীবা ঙমগদবা ফোরেনর নৎত্রগা লোকেলগী ওইবা কোচ হাপকদ্রা হায়বা অসিখক্তা ঙাইরে। ইশাগী ওইনা ফোরেন কোচ হাপ্পদা অকায়বা করিসু লৈতে, মমাঙদসু ফোরেন কোচ হাপখ্রবনি হায়না হায়খি।

বোব ৱুলমর অসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী ফবা কোচ ওইখিবনি। প্লেয়রশিংনা কলচরগী ওইবা মথৌ তাই হায়না ঐনা খল্লি, মরম অদুনা ঐখোয়গী ফোরেন কোচ নৎত্রগা লোকেল কোচ অমা লৈগদ্রা হায়বদু য়েংশি।

খাননা টিম মনুংদা গ্রুপিং শাগৎপা নৎত্রগা প্লেয়রশিংবু পূক্নিং হন্থহন্নবা থবক অমত্তা তৌবা লৈতে হায়বা ৱাফম খাননা থমখি।

ঐনা হায়জৌ হায়রবদি ৱর্ল্ড কপকী মেচতা ঐখোয়না অমুক হন্না ইন্দিয়াগী মখুৎতা মায়থিবা হয়বসি নীংবা কায়বা অমনি। টিম প্লেয়র মনুংদা নুংঙাইনদবা অমদি গ্রুপিজম থোকপগী থৌওং অমত্তা লৈতে। মখোয়না মখোয়গী লৈজবা হৈথোই শিংথোইবা অদুদা অঙম্বা থৌনা উৎথোক্কুনা শান্নবনি হায়খি।

# ক্রিকেট প্লেয়রশিংনা মখোয় মখোয়গা লোয়নবা পোৎলমশিংদা এদভর্টিজমেন্ট তৌবগী শেনফমশিং ফংলি




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২২ :
ইন্দিয়াগী টেষ্ট কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা মহাক্লা পায়রিবা বেটতা এম আর এফকী ষ্টিকর নপ্পগীদমক লুপা ক্রোর ৮ ফংলি হায়না পাউগী এজেন্সী অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অদুনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ৱিকেট কিপর বেটসমেন অমদি কেপ্টেন ধোনিনা মহাক্কী বেটতা স্পার্টান থাবা ষ্টিকর নপ্পগীদমক লুপা ক্রোর ৬ ফংলি। অদুবু কোহলিনা মহাক্কী বেটতা এম আর এফকী ষ্টিকর নপ্পগীদমক লুপা ক্রোর ৮ ফংলি হায়রি। মসিদা নত্তনা কোহলিনা শান্নবদা পিচতা তোংলিবা মহাক্কী খোঙউপ অমদি এপারেলগীদমক লুপা ক্রোর ২ গী শেনফম অমসু ফংলি হায়না পাউ অদুনা রিপোর্ট তৌরি।

ভিরাট কোহলিনা মীয়াম খঙনবা উৎলিবা প্রদক্টশিং অদুগীদমক মহাক্লা কম্পেনিশিং অদুদগী লুপা ক্রোর ৫ ফংলি অদুগা ধোনিনা লুপা ক্রোর ৮ ফংলি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোক্লি।

ধোনি অমদি কোহলিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেনশিংসু মখোয় মখোয়গী বেটশিংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টিকরশিং নপ্পগীদমক য়াম্লবা শেনফমশিং ফংলি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা য়ুভরাজ সিংহনা পুমা ষ্টিকর নপ্পগীদমক লুপা ক্রোর ৪, সুরেস রাইনা অমদি রোহিৎ শর্ম্মানা সিএট ষ্টিকর নপ্পগীদমক মথংশিংনা লুপা ক্রোর ২.৫ দগী ৩ অমদি লুপা ক্রোর ৩ ফংলি। অদুগা শিখর ধৱননা এম আর এফ ষ্টিকর নপ্পগীদমক লুপা ক্রোর ৩ ফংলি হায়রি।

সাউথ অফ্রিকাগী এ বি দি ভিল্লিয়র্স অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজগী খৃষ্ট গেয়লনা ষ্টিকরশিং নপ্পগীদমক শেনফমশিং ফংলি। এ বি দি ভিল্লিয়র্সনা মহাক্কী বেটতা এম আর এফকী ষ্টিকর নপ্পগীদমক লুপা ক্রোর ৩.৫ অমদি খৃষ্ট গেয়লনা মহাক্কী বেটতা স্পার্টন ষ্টিকর নপ্পগীদমক লুপা ক্রোর ৩ ফংলি হায়না এজেন্সীগী পাউনা রিপোর্ট তৌরি।

# টেহরানগী মেচ শান্নফম মফমদা ইন্দিয়ন টিম চঙহন্দবদা কোচনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে



টেহরান, মার্চ ২২ :
ইন্দিয়ন ফুটবোল স্কাদনা ২০১৮ ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রগীদমক মফম অসিগী মেজেষ্টিক অজাদি ষ্টেদিয়মদা ইরানগা লম্বা তৌদুনা শগোলশেন নুমীৎতা শান্নগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা চথুগদৌরিবা ট্রেনিংগীদমক মেচ শান্নগদবা মফমদা চঙবা য়াহনখিদ্রে।

মেচ শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা ইন্দিয়ন টিমনা টেহরানদা প্রেক্টিস সেসন অনী পাঙথোক্কদবনি। নুমীৎ নীনিগীদমক অজাদি ষ্টেদিয়মদা ট্রেন তৌবা য়াহনখিদবদা নেসনেল কোচ ষ্টেফন কোনষ্টাটিনদা ফাওখিবা পেন্দবা অদু লোৎশিনবা তৌখিদে।

ইরাননা বেঙ্গালুরুদা লাকখিবদা ঐখোয়না মখোয়বু ট্রেন তৌনবগীদমক মেচ ভেন্যুদা নুমীৎ নীনিগী মতম পীখিবা অদুম্না মখোয়নসু চপ মান্নবা ট্রিটমেন্ট পীগদবনি।

মেচ পাঙথোক্কদবা মফমদা নুমীৎ নীনি ট্রেন তৌবা য়াহনখিদবদা ঐখোয়দা অঙকপা ফাওই। মখোয়না মেচ ভেন্যুদা নুমীৎ নীনি ট্রেনিং তৌবা য়াহল্লবদি ঐখোয়না ইরানিয়ন নেসনেল টিমসু নুমীৎ নীনি মেচ শান্নগদবা মফমদা ট্রেন তৌবা য়াহনবা হায়বসি খঙনদুনা লৈরবা ইচম চম্বা ৱাফমনি। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্টনা নিংথৌকাবা নুমীৎকী নুমীদাংদা মফম অসিদা থুংদুনা থবক থৌরম পায়খৎপদা খুয়ৌনগদবশিং অদু মখোয়দা লৈহনখিদে।

ঐখোয়বু এয়রপোর্টতা নিংথিনা ওকপীখি অমদি টিম লৈগদবা হোটেলদা থিনবীখি। ঐগী এসিষ্টেন্ট কোচ লী জোন্সননা মাঙজৌননা মফম অসিদা থুংদুনা মথৌ তাবশিং অদু য়াৎথোকখ্রবনি। হোটেল অসি ঐখোয়গীদমক মতিক চারে অমদি ঐখোয়না ট্রেনিং সেসন অমদি মেচকীদমক মাঙদা মীৎয়েং থল্লি হায়না কোনষ্টাটিননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন টিমনা ইরানগী কোনুং টেহরানগী ইমাম খোমৈনি ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্টতা নিংথৌকাবা নুমীৎকী নুমীদাংদা থুংখি।

মফম অসি ঐখোয়গী দেল্লিদগী হেন্না ঈংই। ঐখোয়না মফম অসি অহানবদা চাশিন্নবা হোৎনগনি হায়না কোনষ্টাটিননা হায়খি। ইন্দিয়ন স্কাদ অদুদা গুরপ্রীট সিংহ সন্ধুসু পুনখি।

# রিও দি জানৈরোনা ঐগী অরোইবা ওলেম্পিক ওইগনি ঃ বোল্ট



রিও দি জানৈরো, মার্চ ২২ :
স্প্রিন্টর উসেন বোল্টনা চহী অসিগী রিও দি জানৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক অসিগী মতুংদগী মহাক্লা শান্নবদগী রিটয়ার্দ তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ওলেম্পিক্কী তরল্লক গোল্ড মেদলিষ্ট ওইখ্রবা উসেন বোল্টনা চহীসিগী জানুৱারি থাদা মহাক্লা মখা তানা টোকিওগী ২০২০ গেমস ফাওবা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখিবনি। মহাক্লা টোকিও ওলেম্পিক ফাওবা শরুক য়াগনি হায়খিবা অদু মহাক্কী কোচ গ্লেন মিলসকী পাউতাক মখাদা ফোঙদোকখিবনি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

জমাইকান অসিনা টোকিও ২০২০ ওলেম্পিক্লা মহাক্কী অরোইবা ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং মহাক্লা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিও ওলেম্পিক্সনা মহাক্কী অরোইবা গেমসনি হায়না লাউথোকখি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা স্প্রিন্টর অসিনা হায়খি, মসিগী ওলেম্পিক অসিনা ঐগী অরোইবা ওইরগনি। ঐনা মথং ওলেম্পিক্কীদমক চহী ৪ ঙাইবসি ওইথোক্লোই অদুনা ঐনা রিও ওলেম্পিক্লা ঐগী অরোইবা ওইনা শরুক য়াগদবা গেমসনি হায়না লাউথোকপনি হায়বা ৱাফম থমখি।

বোল্টনা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্তা মিটর ১০০, মিটর ২০০ অমদি ৪ X ১০০ মিটর রিলে ইভেন্টতা গোল্ড মেদলশিং লৌখি। মহাক্লা বৈজিং ওলেম্পিক্তসু হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিদা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

মহাক্লা হায়রিবা ইভেন্ট অহুম অসিমক্তদা মহাক্কী তৌবা ঙম্বা অদু রিও গেমসতা লাউথোক্কনি। মসিদা মিটর ২০০ গী রেসতনা হেন্না অকনবা মিৎয়েং থল্লি।

ঐগী খ্বাইদগী চাউবা মঙলানদি রিও ওলেম্পিক্তা ইভেন্ট অহুম অসিগী গোল্ড মেদল অহুম ফংবা ঙম্বা হায়বসিনি। মসিদা ঐনা পূক্নিং হকচাং লুপ্না লৈরি। মসিমক ঐগী হোৎনজমনগী পন্থুং অদুনি অমদি ঐগী মঙলানসুনি হায়না বোল্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বোল্টনা মিটর ২০০ গী লমজেলদা সেকেন্দ ১৯.১৯ চেন্দুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবনি। ঐনা ঐগী খ্বাইদগী পামজবা মিটর ২০০ গী লমজেল অসিদা অহেনবা মিৎয়েং থল্লি। ঐনা ইভেন্ট অসিদা গোল্ড লৌবা হায়বসিদদা অচেৎপা থাজবা থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

# লৈবাক নীংবা ঈশৈ লান্না শক্লুবগী বচ্চন্দা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২২ :
ইদেন গার্দেন্দা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া পাকিস্থানগী মেচতা লৈবাক নীংবা ঈশৈ শকখিবগীদমক অমিটাব বচ্চন্না লুপা ক্রোর ৪ ফি চার্জ ওইনা লৌখি হায়বা লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রবা মতুং নৌনা ৱাথোক অমা অমুক থোরকখ্রে।

অনৌবা ৱাথোক অসিনা ইন্দিয়া পাকিস্থান অনীগী মেচ অদুদা অমিটাব বচ্চন্না শকখিবা লৈবাক নীংবা ঈশৈ অদু লান্না শকখি হায়বা মরালদা এক্টর অসিগী মথক্তা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখিবনি। কমপ্লেন্ট ফাইল অদু দেল্লিগী অশোকনগর পি এসতা অমিটাব বচ্চনগী মায়োক্তা লান্না লৈবাক নীংবা ঈশৈ শকই হায়বগী মরালদা তৌখিবনি।




HL-B/3000/05/03-4/04





